*“ঐগী পুন্সি ৱারীসি*
*ঐনা ইবা নংগমদ্রে*
*অইবা অমা লৈরম্লে।”*
*- কাংজম পদ্মকুমার*

## লানদি লোইদ্রি হৌজিকসু

**—অয়াম ইবেতোম্বী**

হায়নৈ অহৌবা লৈরবদি অরোইবসু লৈগনি
’দুবু লোইশিনবা লৈত্রে নুপীগী লানদি
লোইশিনবা লৈত্রে নুপীগী লানদি

ওইদসু লান, য়েত্তসু লান
মাঙদসু লান, তুংদসু লান
যূমথংনবগী লান, যূমলোন্নবগী লান
লানগী লান ঙাক্তনি।

খরনা লাউরি খোঞ্জেল হৌনা
লান পামদে শান্তি পাম্মী।
লান পামদে শান্তি পাম্মী।
খরনা হায়রি মখৌ পোংনা
শোক্লখিনি লান্দি, থৱায়না পোন্থা পীদ্রিফাও
লানঙম ফিরাল থেৎত্রিফাও
লানঙম ফিরাল থেৎত্রিফাও!

ইতা-অচায়বা শল্লাংদো পুনশিল্লো চেৎনা
থাদক্কী ইচাদো পোখৎলো নমদা
চৎলসি নুপীলান শোক্লরিবা মফমদুদা
য়াওরুসি ঐখোয়সু নুপী নৎত্রব্রা ঐখোয়বু!
পুন্সিসে লান্নিদো
লানসে অসুমসুম নকশিল্লক্লে
পুক্কী লানসু হৌরক্লে
চাখুমগী লানসু য়াওশিল্লক্লে।

লানফম খেন্নবগী ৱাতনি
মাগী মায় লানফমগী
নাথৈদুনা চেনবা য়াদ্রবা
লান্মীনি ঐখোয় পূম্নমক।

নংদ্রে পোশিনবা থাদক্কী নচাসে
লাংলগে খ্বাংচেৎকী মচিসিদংদি
খোরী কৈথেল কারুসি লোইশিন্নবা
পুক্কী লান, চাকখুম লান।

নুপীলাননি মসিসু, অনীথোকপী নুপীলান!
নুংগী লান, পালগী লান।
খোঙ্গাওনরবী নুপী কয়াগী লানফম
কয়া’মসু লৈরিদো নঙনা ঐনা খঙদনা
শাংলবা পুন্সি লম্বীনি, মৈতালনা ৱাখৈনদ্রিমখৈ
লানদি শোক্লখিনি শোয়ররোই।
নুপী লানদি লোইদ্রি হৌজিকসু।
লানদি লোইদ্রি হৌজিকসু।

## অমোৎ অকায়গী উপু

**—দিম্ভাজীৎ**

ঙাইরি ঐনা খৌরাংনা নখোয় লাকপা
নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা
চাদ-থক্তনা, নোংজু-নুংশা মরক্তা
সহরগী লম্বী সরক, কাচিন কোয়াদা লেপ্তুনা।

করিগীনো নখোয়না লম্বী সরক শিন থুংনা
কোয়চাই চাইনা শঙ্গু-শঙ্গু লৈরিবা
কাউরব্রা নখোয়গী লৈফম
উপু অমা লৈরি হায়বসে।

কনা কনানো নখোয়দা ইনশিল্লিবা
লম্বী, সরক কোয়থুং থুংনা চাইখায়য়ু হায়না
য়ারুনু লৌরুনু মখোয়না ইনশিনবা
মখোয়দি লূ-নানবা, ফজবা পামদবনি।

নুংঙাইতে, ইকায়জে মীয়াম্না উখ্রগা
নখোয়গী ইমোৎ মোৎপা, ইতে তৈবা মতৌ’দু
লাও, চংলকউ লাও, নখোয়গী উপুসিদা
নখোয় লাকপদুনি ঐনা খৌরাংনা ঙাইরিবা।

## শান্নবুংদা

**—খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর**

শান্নরোয়শিংও নুপীশিং মণিপুরগী
তেন্না নশম নুপাগুম
ককপগী থাদোকপীয়ু চৎনবী
ফজবা লৈতেং শল্লাং নুপীগী
মিহৌনফম মহৌশানা পীনবিরল্লবা
মীরায়বিগনু ককথৎপীগনু।

শল্লাং তুংপুন্নরগা নুপীথোক্লা
মায়রোং য়াও য়েক্লবা নুপাগুম
থৌদোক্তুগী থৌদাং মায়পাক্লবা
নুপী ওইবীগী থোৎচবা
নুজা ওইবীগী নৌজবা
কেজবা ঈংজবা উৎথোকউ
মতম মফম চাবদা

শাওং শাবান নুজাগী
লৈতেং ফিজেৎকা লোয়ননা
চোইজাইনহল্লু শল্লাং শরাশন
লেংজুম লেংপাক নিংদুয়ৈ
ঙাওহল্লু লেংমান্নবা পাখং
নখোয়সু নুপীনি অশেংবা

শাইনোল শল্লাং চোইজাইনহল্লগা
চেঙৗ মনম চুহন্দুনা
নুংশি ঈপাক্তসু তাউও
লাইগী খূৎশেমনি নখোয়
নুপী ওইবীগী থাদোকয়াদবা
নখোয় নুপীগী মমা ওইয়ো

ঐখোয়গী শক্তমনি মতাকও
নশম তেন্না নুপাগুম
ককপগী চৎনবী থাদোকপীয়ু
নুপীশিং শান্নবুংদা শান্নরোয়শিং।

## লৈরাং নাতোন চাবী

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

নঙনি লৈরাং নাতোন চাবী
কনাগীসু মিতাফম ওইদ্রবী
ননীং তম্না শাৎচরি
লম্মাং তুহাংদা নঙনা।

থিবিরুদে কনানসু নঙবু
অদুবু ঐদি নঙবু নুংশি
নুংশি নঙগী মপোক
নদোম শাৎলগা
নদোম কেনখিবদো।

কনাগী নাপগী নাচোমসু ওইদে নঙদি
তাইবঙ মপূগী খুয়াদসু কৎতে নঙদি।
কনানসু মিতারুদে নঙবু
শাৎলু লৈরাং শাৎলু ননীংতম্না
কনাগী নাপগী নাচোম ওইদ্রবসু
তাইবঙ মপূগী খুয়া য়ৌদ্রবসু।

## শান্তি থিরীবনি ঐদি

**—বাবু ইরেংবা**

ঐগী মিৎসে তাংঙল্লবদি
অথিবা ফজবা খঙঙল্লোই
কল্লক মীহৌবসু পোক্লল্লোই
অকি তুজুংবসু উরল্লোই।

ঐগী নাসু পংঙল্লবদি
অয়াকপা অমেংবা
মীনম্বা ওইদবা মীকপ মীরাওখোল
তারল্লোই করিগুম্বা অমত্তা।

মীৎসে তাংনা
নাসু পংনা
হীংঙমবদি ঐনা অশিবগুম
ফংঙবা নৎত্রনে ঐবু
শান্তি হায়বদো।

## অমনবা থোপ

**—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র**

করখানা ’পূম্বা
লোইনা থোঙ লোনখ্রে
পুদুনা চৎলি ঐনা
ঐগী মল্লবা থোপসে।

ঈ পুবা উতোংসু
হোরে
হোফম খঙদনা
থোপকা পাউ ফাওনরম্বা।

শেম্বা য়াররোইদ্রা?
নৎত্রগা
অনৌবা ’মা শিনগদ্রা
হংনৈ, মশেল অমগা ’মগা।

“মসি লৈবাক্কী অঙম্বগী
ৱা অমুক ঙাইখিদ্রা?”

“মীনদি হায়নৈ-
পোৎ অমনবা শিনবা
অরাই অমা নত্তে।”

অঙম্বদা হায়রুদুনসু
কয়া কান্নবা ফংলোই
“মাদি থোপ অমনবগী দুকান্নি।”

## তাখিদরে মপাউ

**—য়েঙ্খোম তোম্বী দেবী**

থম্মোয় ঐগী পাউদমসে
তারিব্রা নহাকপু
মাঞ্জ নঙবু লোইয়ুম্বা।

লোইজিং লোইয়া চৎলি
নঙদি লৈরমদে
চেক্লা শঙ্গুলক্তসু য়াওরমদে।

অদুঙৈ ইঙেল থাদা
পীরম্বা ইঙেল্লে নাচোম
লৈমন ওইরে মোলাংখাগী।

ঙাইরি ঐনা ঙসিসু
উজনীংবা শক্তমদো
অমম্বা অহিংদা লেপ্তুনা।

চৈরাউ চীংগী নাপোমদা
শজিবু নোংহৌ ফজবা
য়েৎমিন্নখিবা নঙ-ঐ
নহৌননা নীংশিংলি ঙসিসু।

পুরক্লি নীংশিংবা মানা
হৌখ্রবা থৌদোক কয়াদা
করম্না কাউবা ঙমগনি
য়েনীংথা লাকপা ঙাইখিনি।

## অৱাবা ওইরে

**—কান্তা মৈরালাকপম**

ইকায়খুম্নজরিবা
বি জে পি লৈঙাক্লা
কবি ঐবু পৈশাগী মতেং পাঙবীয়ু।
পৈশা লৈতবদগী অৱাবা ওইরে
য়াম্না ৱানা হিংলে।

পৈশা লৈতনা খুন্নাইসিদা
হিংবা য়াম্না অৱাবগী মশকনি।
পৈশানা হিংবগী থাক ৱাংহল্লি
লায়রবা মুখৎপীয়ু।
হার্টসু য়াম্না কন্না নারি
শ্বর হোনবা ৱারে।

# করিগী শম্বল অসুক ৱাংনা

## (মীনুংশিগা মীনোক মৈশাগগী মরক্তা শাগৎলকপা নুপীগী পুন্সিশিং)



| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | করিগী শম্বল অসুক ৱাংনা |
| মখল | ঃ | ৱারীমচা |
| অইবা | ঃ | নয়াবতি লোংজাম্বী |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৭ |
| অফোঙবা | ঃ | মণিপুরী লিটরেরী সোসাইটি, ইম্ফাল |
| মমল | ঃ | ২০০/- |
| পাউদম্লিবা | ঃ | সলাম তোম্বা |

“ঐগী হকচাং কয়াৎ পূম্বদি পৎথ-পুমথবা হৌরক্লে। উৎকুল্লবা, তাঙ্গৈইগুল্লবা পূক্লিং অমদি অনীংবা অসিনা অমুক পুমথদ্রিবা করিগীনো? ইয়ুমসু মৈনা তুম্না চাকখ্রবনি, অদুগা মৈশা অসিনা করিগীনো অসুম লৈহৌরিবা।” ৱাহৈশিংসি তাবদা করম্বা থৱায়না মীনুংশি পোক্লোইদগে? শোয়দনা মপাউ তানীংগনি, ৱাহং অমতংসু অদুম হংনীংগনি - অদুগা থম্মোয় পেন্না কপমিন্ননীংগনি। কনাসু নত্তে মহাক নুংশিবদি কায়নখ্রবা, মৈচাক্লা লৈহৌরবা থৱায় অমগী মপাউনি। সমুদ্রগী ঈমায়দা শীৎলম্বা অকনবা নোংলৈ নেমখ্রবসু মাগী থম্মোয় লকাদা ঈথক্লা য়ৈবদি তোক্ত্রিবী অমগী থম্মোয় য়াৱানি। মাগী পূক্লিং লাইজ পূম্বা কংখ্রবী, লৈখোমতা ঙায়হৌরবী অমগী লৈখোমদুদগী শাৎলকপা লৈরাং থম্বালগী লৈনমনি। মতম অমদদি মশামক ‘ঐ লিশিং লিশিং থোকপা ঙল্লম্বী, ঙসিনা ঐ তঙ্খায় অমফাও থোকপা ঙমজদ্রে’ হায়রিবী থৱায় অমগী পাউনীংখোলনি - ঙসি ঐখোয়না তারিবা। অদুনা থৱায় অসিনা হংজৈ, “লৈরাংদি কুইরে, লৈমন চন্দুনা খুইথখিবা/অদুবু লৈরাংদুগী লৈনম্না করিগী লৈহৌরিবা?” মশানদি লৈমন চল্লে খঞ্জরিবী, লৈনমদি হৌজিক্তা য়েল্লক্লিবী অইবী অসি কনাসু নত্তে, ঐখোয়গী নয়াবতি লোংজাম্বীনি। খজিক্তং ঙন্না থোক্লল্লবদা মাগী মফম অমা চাউনা কল্লমগদবী অইবীনি চহী ৱায়শিল্লক্লবী। ৱারীমচাশিং অসি ইখিবা মতম ১৯৮৫ অদুৱাইদা হেক ফোঙলম্বদা মাবুতা শোন্নরদৌবী অইবী অমসুনি।

অদুবু ঙসিসু থেঙনা ফোঙলল্লবসু থোইনা ময়েং তাদ্রি, মহাও লৈরি ৱারীমচা ১৪ মক। ১৯৬৮ অদ্বাইদা মশাগী শৈরেং লাইরিক ‘খোঞ্জেল অমতং’ ফোঙদুনা ফিদা কনখ্রবী অইবীনি। মিথ, লিজেন্দা যূম্ফম ওইবা, খোইমোম লাইরেম্বী তম্ফাতোন’, অমদি ‘ঙানুলৈমা’ কৌবা ৱারেং অনী অমসু পুথোকখ্রবী অইবীনি। হন্দক্কী অসিনা চহী ৩০মুক্কী মমাঙদা ইখিবা ৱারীমচা ১১গা নৌনা ইবা ৱারীমচা ৩গা পূন্না শেন্নকপা ৱারীমচাগী নাচোমনি। মসিদা ফজরিবনা ৱারীমচা পূম্বা মহাও অমমম পীবা ঙম্বা অসিনি। নহালমখৈ তুমিন্না লৈরুবা নীংঙল্লক্তে। মশক মঙাল নাইরমগদবী অইবী অমা ঐখোয়না মাঙজরবনি। মসিদা য়াওরিবা ‘ইমাগী খুজি মখোল’ হায়বা ৱারী অসি পারুবদা মিৎলুদা লিক্লা অমতসু ঈপোম নাইরক্তবা মীশক অদুদি মমা শিবদা কপ্লরোইদবা মীশক্লি। ওন্থোক্লা নুংশিখ্রবা ফেক্টনা ফিক্সন ওলহনবা ৱারীমচানি। ঐখোয়না সুনিতা নিংঙোম্বমগী ‘খোঙজি মখোল’ পাবদা ফাওখিবা মীনুংশি অদুদগী মরিক অমা তাদনা ৱারীমচা অসিনা পীবা ঙম্মী। সুনিতাগীনা মমানা তাবা মচানুপাগী খোঙজি মখোলনি। নয়াবতিগীনা মচানুপীনা ঙসি ফাওবা তারিবা মমাগী নুংশিবা খুজি মখোলনি। মমা অমা ওইবগী থম্মোয় ময়েক শেংনা মমি তারিবা ৱারীনি। ওন্থোক্লা রিয়েলিটি তানা য়েকপা ঙম্মী হায়নীংঙি। অইবীনা থম্মোয় কায়না হায়, “ববা শিবা নুমিত্তা, লৌথোকখিবা ইমাগী খূৎকী খুজিশিংদুগী মখোল ঙসি অমুক হন্না তারকখি।” অইবীগী নাকোংনা খুজি মখোল থিখি পীক্লিঙৈদসু খোল্লাং মায়োক্ল নীংলকপদা। মমা লৈফম তাক্লিবা মমাগী খূৎকী খুজি মখোলনি। অদুবু পুঙ্কক চাউরকপদা মনাওনুপীগী ওইখি মমাগী খোল্লাং। অদুবু খুজি মখোলদুদি কাউবা লৈখিদে। নুপা ফত্তবদা ৱাইথুংলুবনা মমানা য়োকপা তাখি অতোনবীগী মচা নুপী পীক্লিবী অমসু, হেক পোকচবগুম। মমানা হায়খিবা ৱাহৈ অইবীনা খক কাউদ্রি, “নপাগী ঈ অমবু ঐ লৈনা লৈনা মমাগী নুংশিবা ফংদনা করিগী লমজা ওইহল্লুদগে।” অদুগুম্বা মপা অদুনদি মমাবু মচাগী মিৎমাঙমক্তদা ওৎ নৈবিখিবনি। ওন্থোক্লা ফজবা ৱারীমচানি হায়নীংঙি।

অইবীনা ৱারীমচা ময়ামসি ইবদা শীজিন্নরিবা উপাইদি মোনোলোগনি। উপাই অসিমক ৱারীমচাদা ওন্থোক্লা মতিং লৈখ্রবা অমনি। মসিবু ইংরাজি কবি Robert Browning না অসুম্না হায়রম্মী, "A monologue is a kind of Poetry in which only one person speaks aloud his thoughts and feelings to a silent listener." কয়াদা চুমখ্রবা, ৱাহং লৈতবা, তুমিন্না তাবা নাকোং অমদা ঐগী অৱা-অনা, অপেন-পেন্দা লোইনা পাউদম্বা মওং অদুবুনি হায়রিবসি। অদুম্না অইবীনা থম্মোয়নুংগী ৱা পাউদম্লি, ফজরিবনা থম্মোয় শেংবা, লৌথুপ লৌকোই লৈতবা, ৱাহৈ খুদিং লৈনম চেনবা, মীনুংশিনা চান্বা ঙাক্তা শীজিন্নরকপা অসিনি। অয়াম্বা নুপীগী লমচৎ য়েকপনি, নুপীগী ফিরোল তরেৎনা খুমদুনা থম্বা নুংগী অরোন অথুপ লৈকা হাইদোকপগুম অমমমতা হাইদোক্লকপা অসিদনি লাইরিকসিগী মমল খংকাউ কাওখৎখ্রিবা। ঙসিগী মতমগী মপান্থোংগী কুয়োম্না য়োম্বা পঙঙাং ঙাঙবা ৱাহৈ ৱাতা য়াওদ্রে। শম্না হায়রবদা থম্মোয় য়ৌবা পাউদম্লি। অইবীনা উৎপা পাল্লি, মীনুংশি য়াওদ্রবা মালেম খনবফাও খঞ্জবা ঙমজদে। ‘নুংশিবা’ হায়বসিদি মপান্থোংদগী থম্মোয়দা চেনশিল্লক্নদবা নত্তে, নুংদগী চেন্থোরকপা ঈফুৎনি। অদুমক্তনা অইবীনা শাগৎলকই, মমা ওইবীগী লিক্লাইগুম শেংলবা ঈচেল অমা মাগী লাইরিক মমিং পুরিবা, ‘করিগী শম্বল অসুক ৱাংনা’ হায়বসিদা। নুপী য়াওদবা যূম্বাল করি ওইফম থোকই। পিক্লিবী মচানুপী অমা লংথোক্লল্লগা মাগী নুপীনা তাইবঙ থাদোকখ্রবদা নুপা মানা করি ওইফম থোকই। অঙাংদুনা শিথ-শিথ কপ্লকপদা নুপা মানা কমদৌরুনি। অদুবু যূম থংননা লৈবী মমা অমনদি খাঙবা ঙমদে।

মমাগী প্রেম ঈহৌরকই। অদুনা চেনশিন্দুনা খোল্লাং ইল্লুই, তম্পাক ফৈরাদা চিল্লোক্ল রুই। অদুসু মৱা মপুরোইবগী য়াথং য়াওনা। অদুবু তাইবঙ মীনোক মৈশা লাকই। অঙাংদুবু লুনা তৌরুবদা অঙাংদুগীদি অৱাৎপা মমা ফংলবগুমখি। অদুবু মীনোক্তি হেনগৎলকই। অদুনা মরম পীদনা মপুরোইবনা যূম কারক্তু ৱাগী শম্বল ৱাংনা খাগৎলকখি। মীনোক মৈশাদু ঈংনবা। মমা ওইবীদুনা থম্মোয়দা পেঞ্জখিদে, মমা ৱাৎলবী অঙাং অমগী মতেংগীদমক করিগী মীনোক মৈশা। করিগী শম্বল অদুক ৱাংনা। ৱাহং কয়াদু তিনগা লোয়ননা য়োৎ য়োৎতুনা খাঙবা তাখি সখী কৌবী মীনুংশিং চাউবীদু।

মসিদা নত্তে, ৱারীমচা অমসু য়াওরি, মীনুংশিনা ফিবান চেনবা। ‘নোংমা কৈথেন্দা’ কৌবা। মসিদনা অইবীনা উৎলি, মীনুংশিগী হৌরকফম অকক্লবা লৈতে। মসিদি ইনাকখুনবগী থম্মোয়দা তূংগদবসু নত্তে, মশক ফজবী, সনা-লুপানা তেকথরবী কনাগুম্বীগী থম্মোয়দা পকপা পোৎসু নত্তে। মসিদি খঙহৌবা নত্তে, থম্মোয়দা মীনুংশিনা কদাইদনো অমদা হেক্তা য়ৈরকপনি। অদুম্না মপুরোইবা নৌনা কায়নখ্রবী, মচা ৪/৫গী মমা ওইহৌরবী মনা-মশিং য়োনবী অমগী অৱাবা মতৌদু উরুবদা মাগুম্বী লায়রবী পোৎ লৈবা লাকপী অমগী থম্মোয় পুবা ঙমখিদবা উৎৎল। নাহোংফাওবা অনী শুদবনা চোৎলবা ফিদুনা মচা অপীকপদু পোগদবগী লাঙলকপদা মখূৎনা পায়রকপা ফি পীরম্বা ঙম্বী থম্মোয় চাউবী নুপী অমগী ৱারী লীরি মসিদা। কার তোংবী, সনা য়ানবী অমনদি লুপা ২গী হঙ্গাম মপুন ৩ তৌনবা তপ তাখৈ ঙাঙনরগা ওইজরে হায়দুনা নোক্লা নোক্লা চৎখিবা উৎলি। মীনুংশিগী মীৎয়েং থনমদে। মীনুংশি উৎলুবী নুপীদুনা ফি পীবদুদা লায়রবীদুনা ‘য়ানিদা’ হায়দুনা ফিদু লৌ হায়বা পাক্লা য়াদবদুনি ফজরিবা। মীতৈ নুপীগী ঈজৎপু লুনা লৌবা মতাংদুদা অইবীনা ময়েং তাহল্লমদে। অদুবু থম্মোয় থম্মোয় ফাওনখিবদগীদি কপমিন্নখি, হয়েং থোকপীরকউ, ইনশাং-নাপী খরদসু পুরক্লে পাউখুল্লকখি। মসিনি ৱারীমচাসিনা পীরিবা ফজবা পাউজেল। নুংশিনবা।

নয়াবতিগী খূৎইদা তোপ তোপ্না তারিবসি মাঙখ্রবা নুংশিবা, থুংনখিদ্রবা, কায়নখ্রবা, লেপখ্রবা ঈচেলবু লোৎনা থম্মোয়দা চন্দ্রনদি তুরেলগুম চেলহল্লগা মপান্থোংদা মকা ফোংদনা পাউদম্বা ঙম্বা অসিনি। মদুগী মখলদা ৱারীমচা অনী য়াওরি - ‘মেদাম ময়াদ’ অমদি ‘লল্লানবা অমদা ইবা চিঠি’। ফজখ্রে ৱারীমচা অসিসু। ইশাগী থম্মোয় ঈহুল য়াওবা ৱারীমচা ওইবনা ৱারী খুদিং মথ্বায় পাল্লি। থম্মোয়দা নুংশি সম্রাজ্য অমা লোৎলি হায়বসি অপাবশিংনা শোয়দনা হায়গনি। অহানবগী ‘মেদাম ময়াদ’ তা অনীশুবা লাঞ্জাউদা অঙৌবা সিফাইনা লৌবীরম্বী মৈতৈ চনু অমগী মচা ইবেম্মা অমগী মরাইবক উৎলি। মমাদু কয়াম ফজৈ থারকপদা ‘অউবগী মীতাফম ওইবী অমনি’ হায়। নমদুনা লৌবীবনি। অদুবু লংথোকপীরল্লবী মমাদু কুইনা লৈরমদ্রে। মচা নুপীসি ‘ওর্ফান হোম’ অমগী মপূ ওইনা থম্বীরল্লে। ফজরিবনা হোম অসিদা ববা সন্যাসী অমা মরক মরক্তা কোয়রকই। কায়নথংদা ফোঙদোল্লকই। মচা নুপীসিগী থম্মোয়গী মাঞ্জনি হায়বা। অদুবু সন্যাসী অসিদি নুপী খুদিংবু ইমানি খন্না লৈখ্রবনা নুজা মাদি থম্মোয় মৈচাক পুনা পুন্সি লেনবা তাখি। অদু ঙম্নবা হোৎনখি। মতম অমদা মখোয়নী কয়াম নুংশিনরমগে হায়বদু অইবীনা ৱাহৈ খরদনা ওন্থোক্লা ফজনা ফোঙদোকখ্রে। মৈচাক পুরীবী নুজাদুগী মচিন্দগী থোক্লকপা ৱাহৈ তাবা য়াই, মানা হায়, “ঐগী পিক্লবা আশাগী হিনাও অমদা তাউথমিন্নখি মাগা ঐগা... নোকমিন্নখি, পুন্সিসে করিনো খঙদনা। নিনখি অহাঙবা নোংদোন অতিয়া ঐখোয়নীতগী মীনোক খোঞ্জেলনা।” অদুক নুংশিনখিবা মাঞ্জদুনা লাইনীংবা ওইখ্রবদা করি ওইহৌবা হৌনৈ নুজা মাদি। অনীশুবা ৱারীমচা, ‘লল্লানবা অমদা ইবা চিঠি’ হায়বা অসিদসু হিকথরবী থম্মোয় অমগী মপাউ পুবা চিঠিনি মাগী মতম অমগী আশা পুবা মীশক্তুদা থারিবা। মসিদা ফোঙদোক্লিবা অসিদি হৈরাং লৈরাংগী ৱা য়াওদ্রে। মঙাল ফংলবী কনাগুম্বী অমগী ৱাখল য়াওরি। পুন্সি মশক খঙনা ইরি। নুংশিবা, চান্নবা পূম্বা মতমগী মতুং ইন্না ময়াই চল্লকপা উৎলি। ওন্থোক্লা ফজখ্রে। খূৎইদি অনৌবমক্তি নৎত্রে অদুবু তোপ তোপ্পা মহাউ অমা পীবদি ঙল্লি। লল্লানবদুসু মিংনাইদে, অইবীসু ‘ঐ’ হায়না লোইশিল্লি। য়াম্না মরৌ থাংবা খূৎইনি।

অতে ৱারীমচাশিংসু মাগী মাগী মশক অমমম পুরি। অদুবু লোইশিল্লকপদা অইবীদা হায়নীংঙি মদুদি ইবদা থেঙবা লৈতে। কলম থাদোকপীনু। অদুগা ৱারীমচা ইবদি ৱাহৈ পরেং শাংমল্লবদি মতীং ৱাৎলকই অদুনা ৱাহৈ পরেং -অশাংবা খরা য়াওবসি মতুংদদি তেলহন্নীংবা ফাওই। ৱাহৈগী মফম চাবা, প্রমান পান্থৈ চুনবা কয়াসি য়েংলুরবদি থুনমক মথঙগী ৱারীমচা পানীংলকই।

# লাইফমলেন

**-মুন্সি প্রেমচন্দ**

*(হান্নগী মখা চথজরকপা...)*

কৈলাসী রুদ্রগী ৱাখলদা উংদুনা লৈরি। তূল্লম্বদগী ফুক হৌগৎলকই, রুদ্রবু চৈনা শগোল শানা তোংদুনা লাকপগুম তৌই। যূমলোন্নবশিংগী মনাক্তা চৎলবসু রুদ্রগী মরমদা ৱারী শাই। মাগী থম্মোয়-ৱাখলদা রুদ্রগী রুদ্র ঙাক্তনি। সুখদাগী অকনবা ৱাহৈ-খোনফম মা করিসু খল্লুদে, নুমিৎ খুদিংগী অঙাংদু উনীংবগী ৱাখলনা মাগী থম্মোয়দু মথুম-মরাং হৌই। মাবু উনগে খন্দুনা অচা-অথক লৈ, যূমদগী থোরকই অদুবু খরা চৎলগা হেক্তা হল্লকই। করম হায়না যূমদুদা চঙলুনি নুংশিববু অদুক তমথিনা লৌবা মফমদুদা মা করম্না চৎলুনি, করিগুম্বা রুদ্রনা মাবু কাউরল্লবদি, অনৌবা য়োকচবীনা লুনা তৌবদগী মাবু কাউরবদি, অঙাংদি হেক্তা কাউগনবনি, ৱাখলসিনা মাবু খোঙ থাংবা থোকহন্দ্রে। অসুম্না থা মখায় অমা হৌখ্রে। কৈলাসী অরাপ্পা মফম অমদা চখোকনীংবগী ৱাখলনা মশাদু লৈতাফম খঙদে। ইমুং লোইশিন্দে, চাবা চঙদে, অহিং-নুংথিল চুপ্পা রুদ্রগী ৱাখলদা ঙাওই, তাঞ্জা চানরুবদগী মতমদুদা বদ্রীনাথতা লাই খুরুম্বা চৎপগী লাংনবা মতম ওইরম্মী। মানা চখোকনীংবগা মপা য়াম্না চানরে, মা লাইখুরুম্বা চৎনবা শেম শারে।

অতিয়াদা অমুবা লৈচিলনা শিন থুংনা কুপশিল্লক্লি, নোংসু থিৎলি-থিৎলি চুরি। দিল্লি ষ্টেসন্দা চৎকদবা মীশিংনা কৃক-কৃক ইন্নরি। খরনা গাড়ীদা তোংলি, খরনা ময়ূমগী মীশিংগা পুকমেন পাউমেন্নরি। মায়কৈ মরিমক্তা পুমলাং লাংলি। তাইবঙগী লিপুন্দগী নান্থোকপা পাক ঙম্বা নত্তে। খরনা মাগী নুপীদা লৌ ইঙ্খোলগী ৱা শিন্নরি, খরনা মচাদা মীঙোন্দা তোনখিবা শেন্দোন থৌনবা শিন্নরি। অহল ওইরবা ললোনবা অমসু মাগী মুনিমদা ৱা কয়া শিন্নরি। খরনা লিক মরু মশীং থিরি, খরনা অতিয়াদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরি। কৈলাসিসু গাড়ী অমদা তোংদুনা ময়াম্না তৌনরিবা ময়ামদু য়েংদুনা লৈরি। মানা খল্লি, মতমসিদা রুদ্রনা ইনাক্তা লৈরল্লবদি য়াম্না কপকনি, ঐগী তম্পাক্তগী কুমথৌ হায়বা ফাওবা য়ারোই। হল্লক্লগা মাবু শোয়দনা উনবা চৎকে। গাড়ীসিসু খরা থুনা চৎলদি ফদৌনি, শাবনসু শিরে, রেলৱেগী মীশিংসিসু অসুক কুইনা চঙলিসিবু করিগীনো, নোংনা মঙলিদি লোইরে, চুবরা হায়বসু চুদে। গাড়ীসি থৌরবদি মীশিংসি ৱানররোই।

তাঞ্জাসিদা ইন্দ্রমনিদু সাইকল অমা থৌদুনা প্লেটফোর্মলোমদা লাকপা উই। মথৱায় য়াম্না নুংঙাইতবা মাল্লি অদুগা হুমাংনসু মশাদু পুমচোৎ চোৎলে। মানা গাড়ী খুদিংদা মুন্না-মুন্না য়েংই। কৈলাসিদি চুম্নদং মা লাইফম চৎকদৌরি হায়গে খন্দুনা গাড়ীদগী কুমথরকই। মাবু উবদা ইন্দ্রমনিদু চেনশিল্লক্লে, হংলকই - কৈলাসি নঙসু লাইফম চৎকদৌরিবরা?

কৈলাসিনা খুল্লকই - করিদি তৌনি, কয়াম কুইনা হিংনি হায়বসু খঙদে, তাইবঙ মপূগী মফমদা মায় উৎলুবা ঙম্নবা পান্থৈ অমত্তংদি থম্বা তাইদনা। রুদ্র বাবুদি নুংঙাইরিকো?

ইন্দ্রমনি - নঙদি চৎকদৌরে, রুদ্রগী মরমদা হংলগা করি তৌনি? মাবু য়াইফ মঙ্গল পীবিয়ু।

কৈলাসি মিহুল তিং তিং চোংলকই হায়রকই- মাবু করি তৌরবগে, মশা ঙমদ্রবরো?

ইন্দ্রমনি - মাদি নঙনা চৎখিবা নুমিৎতগী অদুম নারে। চয়োল অনীমুক্তি ‘ইমাবোক-ইমাবোক’ হায়না কৌদুনা লৈ। চয়োল অমা ফারে লোক খুবা অমদি লাইহৌ হৌবা। হীদাক ফন্না য়াম্না থারবসু কান্নদ্রে, নঙ উরগা খরা ফগদ্রা হায়দুনা নঙবু থেমগে লাকপনি, করম হায়না নঙবু চৎসি হায়নি। নঙবু থিনা তৌখ্রে, লোয়ননা নঙগী অফবা থবক্তা অয়েৎপসু পীনিংদ্রে, চৎলুরো, তাইবঙ মপূগী থৌজাল ঙায়বা তারে, হিংউ তল্লম্লগনা মরায়না ফজনি, তাইবঙগী খোঙচৎপু কনানা থিংবা ঙমগনি!

কৈলাসি ৱাখল মাঙলে, তৌফম খঙদ্রে। মাগী মমাঙদা লৈরিবা পোৎ খুদিংমক মালংদা তাউবগুম তৌরক্লে। করিগুম্বা খুদোংথিবা অমা থোক্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা পোক্লে। থম্মোয়দা শোল্লি - হে তাইবঙ মপূ, ঐগী রুদ্রবু শোয়দ-ঙামদবা ওইহনবীয়ু।’ মখনাও ফুনগৎলক্লে। খল্লকই ঐসি কয়াদা থম্মোয় কনখ্রবনো, পীকখ্রবা অঙাংদুনা কপ-কপ্তুনা লেনবা অদুগা ঐনা মাবু হন্না ফাওবা য়েংলুদবা। সুখদানা ঐবু থিনা তৌই, অদুবু অঙাংদুনদি ঐঙোন্দা করিসু কায়খিদে। মমাগী লমনবু মচাদা খুম্বা হৌনবরা হে তাইবঙ মপূ, ঐগী ইরালসি ঙাকপীয়ু। রুদ্রনা ঐবু ঙাইরি। কৈলাসীগী থম্মোয়দু নীংঙমদবনা থল্লে। মানা ঐবু অদুক নুংশিরমগনি হায়বদি ঐ খল্লুদে। মমিৎতগী মপি শিন্থরকই, হংলকই - শঙ্গোমদি থকইকো?

ইন্দ্রমনি - নঙনা শঙ্গোম থকপরা হংলি, নুমিৎ মরিনি শুরে মমিৎ পাংদবা।

কৈলাসি - হে তাইবঙ মপূ! ঐবু ঙাকপীয়ু! হো কুলি, সিদা লাউ, ইবুংঙো, ঐগী পোৎসি অমুক্তা থাংথৌ। ঐ লাইফম চৎলরোই, পরপ-পরপ থাংথৌনে, বাবুজী শগোলগাড়ী অমত্তা য়েংবীয়ু।

শগোল গাড়ীদু থৌরক্লে, তপ্না-তপ্না চৎলি। কৈলাসীদু শাওরক্লে, গাড়ী থৌবদুদা হায়- পরপ-পরপ চৎলুনে, ঐ পৈশা হেন্না পীগে। লম্বীদা মী চিল্লম্বা উবদা শাওই, শগোলদু মশা পান্দুনা পাইহন্নীংই। ইন্দ্রমনিগী যূম য়ৌরক্কদৌরে, কৈলাসী মিহুল তিং-তিং চোংলকই। লৈরক হেক হাইজিল্লকপদা মী কপ্পগী মখোল তারকই। কলাসীগী থৱায় মপাল থোক্লকপগুম তৌই, মকোক ঙাওরকই, গাড়ীদগী চোংথনীংলকই অদুবু লুহোংবদা ঙাইরিবী কৈন্যা অমা নুপা ময়ূম চৎপগী কায়নরমদায় কপ্পা ওইরম্মী, শ্বর খজিক্তং হোন্দোকই। ইন্দ্রমনিগী ময়ূম য়ৌরে, কৈলাসী পাখৎনা চঙলকই। থোঙজিলদু পুমচিক চিকই, চাকথোংবদু মরু-মরাং তক্তুনা লৈরি, কৈলাসী ৱাখল খরা তারকই, অনৌবা য়োকচবীদুসু করিনো অমা তৌদুনা লৈরি। সুখদাগী কাদা চঙলুবদা রুদ্রবু মতম্বাক্তা পমলদুনা থোঙজিলদা শংত্রিক য়েংদুনা লৈরি, মশক্তু নুংঙাইতবনা হেন্দুনা মুশিন মুরে। কৈলাসীনা সুখদাদকা করিমত্তা হায়দনা রুদ্রবু মাগী মতম্বাক্তগী পমখৎলি, মপি ইরা চেল্লদুনা কৌরকই- ইবুংঙো, রুদ্র নমিৎ পাঙথোক্লো।

রুদ্রদু মমিৎ খংপাঙ পাঙথোরকই, মাগী য়োকচবীবু মুন্না য়েংই, খঙহৌদনা মাবু খঙকোন কোনশিল্লগা হায়রকই - ইমাবোক লাক্লে! ইমাবোক লাক্লে! তাইরবা, কংশিল্লবা মায়থোংদু মকা লাম্লকই।

চয়োল অমা হৌখ্রে, অয়ূকনি রুদ্র মাঙ্গোলদা শান্নরি। ইন্দ্রমনিনা ইমুংদগী থোরক্লগা মাবু পমখৎলি অদুগা নুংশিনা হায়রকই - নমাবোকসি তান্থোকখ্রসিরা?

রুদ্রনা শুগৎলদুনা হায়রকই - ঐ কপ্লরোই।

কৈলাসীনা হায়রকই - ইবুংঙো, নঙনা ঐবু বদ্রীনাথ চৎহন্দ্রে। ঐগী পাপ কনানা কোকহনগনি?

ইন্দ্রমনিনা মোমোন নোক্লদুনা হায়রকই - অদুদগী হেন্না চাউবা মহয় ফংলসিদি, মসিগী লাইফমসি লাইফমলেননি।

**হিন্দীদগী হন্দোকপা**
**—লৈমপোকপম বেদান্তী**